# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 08-03-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) নুপীশিংদা মখোয়গী ফংফম থোকপা হক অমদি অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্দুনা, নুপা নুপী থোং মান্নহন্নবগী ৱাখল্লোনদা ঙসি মালেমগী নুপীগী নুমিৎ পালন থৌরম পাঙথোক্লি।

মণিপুরদসু নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা থৌরম কয়া শিল্লি।

২) প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা লুপা কোতি লিশিং ৩৩,৫০০ গী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরা যাত্রা হুনগনি, খরগীনা শঙ্গাগনি।

অমসুং

৩) মাওইষ্টকী ইহৌদা অচৌবা চৈথেং অমা ওইনা ঙরাং হাইদ্রবাদতা মাওইষ্ট ১৩০ তেলঙ্গনাগী মুখ্য মন্ত্রি রেবনাথ রেদিগী মমাংদা সরেন্দর তৌখ্রে।

------

ৱিমেন ঃ ঙসি অসি মালেমগী নুপীগী নুমিৎনি। নুপীশিংদা মখোয়গী ফংফম থোকপা হক ফংহনবগা লোয়ননা নুপা নুপী থোং মান্নহন্নবগী পান্দমদা পালন থৌরম অসি পাঙথোকপনি। কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী থিমদি- নুপী অমদি নুপীমচা খুদিংমক্তা মখোয়গী ফংফম থোকপা হক অমদি অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবগা লোয়ননা থবক লৌখৎপা হায়বসিনি।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা জাতি থাক্কী মালেমগী নুপীগী নুমিৎ থৌরমদা শরুক য়াগনি।

ৱিমেন্দ এন্দ চাইল্ড দিবলপমেন্ট মন্ত্রালয়না শিনবা থৌরম অদুদা ৱিমেন অমসুং চাইল্ড দিবলপমেন্ট মন্ত্রি-অনাপুরনা দেবী অমসুং রাজ্য মন্ত্রি-সাবিত্রি ঠাকুর শরুক য়াগনি। মন্ত্রালয়না হায়- থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা মন্ত্রালয় ১৫০ হেনবগী বিভাগশিংদগী নুপী লিশিং অমা হেন্না শরুক য়ারবা য়াই।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা লৈবাক শিনবা থুংবদা থৌরম কয়া শিল্লি।

ৱিমেন অমসুং চাইল্ড দিভলপমেন্ট মন্ত্রালয়না শিন্দুনা মালেমগী নুপীগী নুমিৎকা মরী লৈননা ঙসি অয়ুক নুপীশিংগী ওইবা খোঙচৎ অমা শিল্লি। শক্তি ৱাল্ক অসি ইন্দিয়া গেটতগী কর্তব্যা পার্ক ফাওরগা বিজয় চোক ফাওবা চৎকনি।

শক্তি ৱাল্ক অসি নুপীশিংনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা অমদি লুচিংদুনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অসিবু শকখঙবা অমদি মদুগীদমক নুংঙাইবা ফোংদোকপা ওইনা পাঙথোক্কদবনি। খোঙচৎ অসিদা কেন্দ্রগী নুপী মন্ত্রিশিং, সংসদকী নুপী সদস্যশিং, নুপী এম.এল.এশিং অমদি তোঙান তোঙানবা লমদা শকাইরবী নুপীশিং শরুক য়াগনি।

ৱিমেন (এল)ঃ মালেমগী নুপীগী নুমিৎ পালনগী মপুং ওইবা থৌরম রাজ্যগী সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিতি কনভেনসন সেন্তরদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ, উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখো, মন্ত্রিশিং- গোবিনাদাস কোন্থৌজম অমসুং খুরাইজম লোকেন অমদি এম.এল.এশিং শরুক য়াগনি।

অমরোমদা, মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন্না শিনবা মালেমগী নুপীগী নুমিৎ পালন থৌরম ঙসি হোতেল ইম্ফালগী শঙাই কনফরেন্স হোলদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা এম.এল.এ- এস.এস. ওলিস অমসুং কম্মিসনগী চেয়ারপার্সন থুমলিপ তিনিংফম মোনসাং শরুক য়াগনি।

অখিল ভারতিয়া বিদ্যারথি পরিষদ অমসুং রাজ্যগী য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস বিভাগনা পুন্না শিন্দুনা মালেমগী নুপীগী নুমিৎকা মরী লৈননা ইম্ফালগী কংলাগী নোংচুপ থংবা গেটতগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স ফাওবগী লমজেল অমসু ঙসি অয়ুক শিল্লি।

পালন থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা অসমিতা ৱিমেন্স এথলেতিক এন্দ রোয়িং লিগ ২০২৬ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট রোয়িং এসোসিয়েসন অমসুং মাই ভারত, বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা ঙসি জিলা অসিগী সেন্দ্রা রোডতা লৈবা তাকমু ৱাটর স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা এম.এল.এ- থোঙাম শান্তি, কেনোয়িং এন্দ কয়াকিং এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম অশনিকুমার শরুক য়াগনি।

মণিপুর ষ্টেট কমিসন ফোর ৱিমেন অমসুং নেসনেল কমিসন ফোর ৱিমেন্না মালেমগী নুপীগী নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা থা অসিগী ৯ দগী ১৩ ফাওবা মহা জন সুনৱায়ি পাঙথোক্কনি হায়রি । থৌরম অসি রাজ্য অসিগী জিলা মঙা- ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, তেংনৌপল অমসুং চান্দেলদা পাঙথোক্কনি। নুমিৎ মঙানি চুপা চথুগদবা থৌরম অসিনা নুপীশিংগী মায়োক্তা চথুবা মীওৎ মীনৈগা মরা লৈননা থাগৎলকপা ৱাকৎশিং তাগনি। ৱাকৎশিং অদুগী মতাংদা অথুবা মতমদা লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎনবা হোৎনগনি।

পুলিস (এল)ঃ রাজ্য অসিদা তুংদু লৈতাবা ফিভম লৈহন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং মণিপুর পুলিসনা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্বা অমসুং এরিয়া দোমিনেসন লেপ্তুনা চথুরি। আইন কায়বা থবক তৌবা অমদি মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা থোকহন্নবা হোৎনবা মীওইশিং য়াওনা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওই কয়াসু ফাগৎলি।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইন্দো-বরমা-শুগনু রোডকী আইহাং ভিলেজদগী কে.সি.পি (এম.এফ.এল)গী মীওই অমা ঙরাং ফারে। ফারবা মীওই অদু হৌজিক থিজিনবগী থবক চথুরিবা কিদনেপিং কেসতা চেন্নবনি হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অচানবীগৈ থোংখোঙ মখা লৈকাইদগী প্রিপাক (প্রো)গী মীওই অমসু ফারে। মীওই অদুদগী শেল ওইনা লুপা লাখ ১ লিশিং ৮৯ অমসুং মোইবাইল ফোন অমা ফংলে হায়রি।

কাং ঃ মনিপুর কাং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা শ্রীশ্রী গোপালদেব মন্দব য়াইস্কুল কাংশঙদা ঙসিদগী হৌগদবা অহুমশুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা অমস্ং কুমারী অমিতা দেবী মেমোরিএল লিগ কপ নোক আউট কেন্দ্র-ৱাইজ কাং টুর্নামেন্ট ২০২৬ খুদোংচাদবা খরা লৈবদগী মতম খরা য়েথোক্লগনি হায়রি।

মোদিঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা লুপা কোতি লিশিং ৩৩,৫০০ গী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরা যাত্রা হুনগনি, খরগীনা শঙ্গাগনি।

শ্রী মোদিনা লুপা কোতি লিশিং ১৮,৩০০ লোম চংগদবা দিল্লি মেত্রো প্রোজেক্ট উরেপ উয়ুং তমগনি খরগীনা শঙ্গাগনি। মহাকা দিল্লি মেত্রোদা অনৌবা কোরিদোর অনিসু শঙ্গাগনি । মসিগী মনুংদা কিলোমিটর ১২ হেন্না শাংবা মজলিষ্ট পার্ক মোসপুর বাবরপুর (পিঙ্ক লাইন) কোরিদোর অমসুং কিলোমিটর ১০ রোম শাংবা দিপালি চোক মজলিষ্ট পার্ক মাজেন্তা লাইন কোরিদোর য়াওরি।

প্রধান মন্ত্রিনা কিলোমিটর ১৬ হেন্না শাংবা দিল্লি মেত্রোগী ফেজ ফাইব (এ) গী মখাদা লৈবা কোরিদোর অহুম অমসু শাননবা যাত্রা হুনগনি।

মাওইষ্ট ঃ লৈবাক অসিদা মাওইষ্টশিংগী ইহৌদা অচৌবা চৈথেং অমা ওইনা ঙরাং হাইদ্রবাদকী ইন্তিগ্রেতেদ কম্মান্দ এন্দ কন্ত্রোল সেন্তরদা মাওইষ্ট ১৩০ তেলঙ্গনাগী মুখ্য মন্ত্রি রেবনাথ রেদিগী মমাংদা সরেন্দর তৌখ্রে।

মখোয়শিং অদুগী মনুংদা ষ্টেট কমিতি মেম্বর অহুম, রিজনেল কমিতি মেম্বর অমা অমসুং দিভিজনেল কমিতি মেম্বর ১০ য়াওরি। মখোয়না অফবা মখলগী খুৎলায় ১২৪ সু লোয়নরকখি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়- মুখ্য মন্ত্রি রেবনাথ রেদিনা লেমহৌরিবা মাওইষ্ট লুচিংবশিংদসু চংজরক্তুনা রাজ্য অদুগী নৌনা শেমগৎ শাগৎপগী থবক্তা শরুক য়ারনবা আপীল তৌরি। বেল্লোট পেপরনা নোংমৈ মরুদগী হেন্না শক্তি লৈ হায়রদুনা শ্রী রেদিনা মখোয়দা হিদাক লাংথক, শেলগী তেংবাং পীবগা লোয়ননা পনদুনা লৈরিবা কেসশিং লোইশিন্নবা রিভিউ কমিতি অমসু শেমখ্রে।

সেমিনার ঃ কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না শিন্দুনা ঙরাং নিউ দিল্লিদা ষ্টেট ইম্মরজেন্সি ওপরেসন সেন্তরশিং পুনশিন্নবগী অহুমসুবা সেমিনার পাঙথোকখ্রে। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মহৌশানা থোকহনবা অমাং অতাশিংদগী ঙাকথোক বা হিরম ১০ য়াওবা ৱারেপ অদুগী মখাদা সেমিনার অদু ইন্তিগ্রেতেদ কন্ত্রোল রুম ফোর ইম্মরজেন্সি রেস্পোন্সনা শিনবনি।

মন্ত্রালয়না হায়- মসিগী মপুং ওইবা পান্দমদি- মহৌশাগী ওইবা অমাং অতা থোরকপা মতমদা খুদোংথিবা অমত্তা নংহন্দবা হায়বসিনি। সেমিনার অদুনা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরি পুমমক্কী ষ্টেট ইম্মরজেন্সি ওপরেসন সেন্তরশিংগা মহৌশাগী ওইবা অমাং অতা মায়োকবগী থবক তৌরিবা এজেন্সিশিংগগী মরক্তা মরী হেন্না ফগৎহনবদা অকনবা মীৎয়েং থমখি।

নদ্দা ঃ কেন্দ্রগী কেমিকেলস অমসুং ফরতিলাইজরস মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা হায়রি- জন ঔসাদি কেন্দ্রশিংগী খুত্থাংদা প্রধান মন্ত্রি ভারতিয়া জন ঔসাদি পরি য়োজনানা মশানা মশাবু থবক পীজনবগী খুদোংচাবা ফংহনদুনা ২০৪৭ ফাওবদা ভিক্সিত ভারত শেমগৎনবগী থৌরাংদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং ৮ শুবা জন ঔসাদি দিবসতা ৱা ঙাংবদা শ্রী নদ্দানা খ্বাইদগী হেন্না মগুন লৈবা জেনেরিক মেদিসিনশিং পুথোকপগা লোয়ননা মীয়ামা লম অসিদা খঙবগী চাং হেনগৎহনবা তঙাইফদে হায়না ফোংদোকখি। মহাকা কেন্দ্র খুদিংমক্তা হিদাক নিংথিনা ফংহন্নবসু হায়খি। শ্রী নদ্দানা হায়- জন ঔসাদি লিশিং ৮ হেন্না নুপীশিংনা চলাইরি। মসিনা নুপীশিংদা অহেনবা শক্তি পীদুনা মায় পাক্লবা ওন্তরপ্রেন্যুরশিং ওইহন্নবা হোৎনরি।

ৱেষ্ট এসিয়া ঃ আমেরিকা-ইজরেল অমসুং ইরান্না নৌনা নোংথক্তগী দ্রোন্নচিংবা শিজিন্নদুনা লান্দাবগী থবক চত্থবগা লোয়ননা নোংচুপ এসিয়াদা লান্মীগী ওইবা উংখৎনবগী ফিভম নুমিৎ ৮ নি শুখ্রে।

মমাং থাগী ২৮ দা আমেরিকা অমসুং ইজরেলগী অপুনবা লান্মীনা ইরানগী মথক্তা লান্দাদুনা মখোয়গী মকোক থোংবা লুচিংবা আয়াতুলা আলি খামেনি

অমদি অতৈ লান্মীগী মকোকশিং হাৎখিবা অমদি টেহ্‌রান্নসু খুৎ হল্লকপদগী উংখৎনবগী ফিভম অদু থোরকখিবনি।

মরক অসিদা, দোনাল্ড ত্রম্প সরকারনা আমেরিকাগী দোল্লর কোতি ১৫ লাখ ১০ রোমগী খুৎশু খুৎলায়শিং ইজরেলদা নৌনা য়োনবগী অয়াবা পীখ্রে।

ইরানগী রাষ্ট্রপতি মসুদ পেজেসকিয়ান্না হায়রি- য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংনা কাইহৌরক্ত্রবদি মখোয়গী মথক্তা লান্দাবা তৌরোই। হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংগী মথক্তা মখোয়না লান্দাখিবা অদুগীদমকসু মহাকা ঙাকপীনবা হায়জখি। মহাকা হায়- য়ুমথংনবা লৈবাকশিংদা লান্দাখিবা অদু পাউ ফাওনহৌদবগীনি। আমেরিকানা সর্ত্ত অমত্তা য়াওদনা সরেন্দর তৌনবা হায়রিবা ৱাফম অদুদি মঙগুম্বনি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

ক্রিকেট ঃ  আই.সি.সি মেন্স টি-ত্বেন্তি ৱার্ল্ড কপ ২০২৬ কা ফাইনেলদা ভারত অমসুং নিউজিলেন্দ থেংনরগনি। ফাইনেল মেটচ ঙসি অহমেদবাদকী নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা নুমিদাং পুং ৭ তা শান্নগনি।

------